# আর্সনেলনা রেনিস মায়থিবা পীদুনা য়ুরোপা লীগকী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে, টিম লিষ্ট মশক খঙবা লোইখ্রে



লণ্ডন, মার্চ ১৫ (এজেন্সী):
য়ুরোপিয়ন ফূটবোলগী ক্লবশিংগী ওইবা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা টুর্নামেন্ট য়ুরোপা লীগকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেলগী তোঙান তোঙানবা অনীশুব লেগশিংগী মনুংদা ইংলেণ্ডগী ক্লব অর্সনেলনা ফ্রান্সকী ক্লব রেনিসপু পাঞ্জল ৩-০দা থোইদুনা এগ্রিগেটতা পাঞ্জল ৪-৩ দা হেন্দুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ক্বার্টর ফাইনেল শান্নগদবা টিমশিংগী লিষ্ট অদুসু ঙরাং খঙবা লোইখি। অর্সনেলনা ইটালিগী নাপোলিগা থেংনগনি। স্পেনগী ক্লব অনী- বিলারিয়েল অমসুং ভেলেন্সিয়া লম্বা তৌনগনি। জর্মনিগী এন্ট্রাক ফ্রেঙ্কফর্ট অমসুং পোর্টুগালগী বেনফিকা থেংনরগনি। অদুগা ইংলেণ্ডগী অতোপ্পা চেলসি অমসুং জেক রিপব্লিক্কী স্লাভিয়া প্রাগ লম্বা তৌনরগনি।

ঙরাং লণ্ডন্দা লৈবা অর্সনেল ফূটবোল ক্লবকী হোম গ্রাওন্দ ওইরিবা ইমিরেট্স ষ্টদিয়মদা অনীশুবা লেগকী মেচ অদু শান্নখি। নীংশিংবা য়াবদি, রেনিসনা মখোয়গী হোম গ্রাওন্দদা থা অসিগী ৭তা শান্নখিবা প্রি-ক্বার্টর অহানবা লেগকী মেচ অদু অর্সনেলবু মখোয়না পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখি।

ঙরাংগী মেচ অদুদা পাঞ্জল ২ শোত্থরিবা অর্সনেলনা ফুক্কৎনবা হৌবদগী হৌনা বোল পায়বা ঙম্বগী মশান্না অদু উৎপা ঙমখি। অর্সনেলগী শান্নরোয় ওবামেয়াংনা শান্নবগী ৫শুবা মিনিটতা অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ইমিরেট্স ষ্টদিয়মদা তিনখিবা মখোয়বু শৌগৎপা লাকখিবা মীওইশিংগী থম্মোয় পেলহনখি।

ফ্রান্সকী রেনিসকী ক্লবকী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্লবা মখোয়গী ওইবা লাল্লোং য়াৎপা ইঙম ঙমদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ১৫দা শুবা মিনিটতা অর্সনেলগী মাইকলেন্দ নাইল্সনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চন্দুনা এগ্রিগেটতা টিম অনীমক পাঞ্জল ৩-৩ লৈনখি।

অনীশুবা হাফকী অয়াম্বা মতম মখা তানা পাঞ্জল চনবা ঙম্নখিদে। শান্নবগী ৭২শুবা মিনিটতা ওবামেয়াংনা অর্সনেলগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদুগা মশাগী ওইনা অনীশুবা পাঞ্জল চনখি।

পাঞ্জল ৩-০ দা মাঙজিল থাদুনা অমদি এগ্রিগেটতা পাঞ্জল ৪-৩দা লৈদুনা অর্সনেলনা মখা তানা এটেক কয়া চথখি। মেচ লোইরমদাইদা ওবামেয়াংগী মায়কৈদগী শুংশোয় শোয়দনা পাঞ্জল ওইরম্লগদবা তাঞ্জ অনীসু মাঙজখ্রবনি।

ইঞ্জুরি টাইমগী মিনিট ৫ হাপ্পদা রেনিস উপাই লৈখিদে। পাঞ্জল অমা ফাওবা হন্দোকপা ঙমদনা ৪-৩দা মায়থিহৌখি। ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগ এপ্রিল ১১দা শান্ন-গদৌরিবা অদুদা অর্সনেলগা লম্বা তৌনগদৌরিবা নাপোলিনা ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা অনীশুবা লেগকী মেচ অমদা মখোয়বু রেদ বুল সাল্সবর্গনা ৩-১ দা থোইরগা এগ্রিগেটতা নাপোলিনা অহানবা লেগতা ৩-০দা থোইখিবা অদুনা ৪-৩দা মায় পাক্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখিবনি।

স্পেনগী ক্লব ভিলারিয়েলনা রসিয়াগী জেনিটপু এগ্রিগেটতা ৫-২দা থোইখি। ঙরাং ভিলারিয়েলনা জেনিট সেন্ট পিটর্সবর্গপু ২-১দা থোইখি। অহানবা লেগতা ভিলারিয়েলনা ৩-১দা থোইবা ঙমখি। মখোয়গী লম্বা ভেলেন্সিয়ানা রসিয়াগী ক্রাসনোদরগা ঙরাং পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখি অদুগা অহানবা লেগতা ভেলেন্সিয়ানা ২-১দা থোইখিবা অদুনা এগ্রিগেটতা ৩-২দা হেনখিবনি।

ইংলেণ্ডগী ক্লব চেলসিনা ঙরাং য়ুক্রেনগী ক্লব দাইনামো কায়ভকা শান্নবদা পাঞ্জল ৫-০দা থোইখি। মদুদা চেলসিগী শান্নরোয় ওলিবর জিরোদ হেট্রিক ফংবা ঙমখি। চেলসিনা অহানবা লেগতা দাইনামো কায়ভপু ৩-০ দা থোইখিবা মরম্না এগ্রিগেটতা ৮-০ দা হেল্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

চেলসিগী লম্বা ওইগদৌরিবা জেক রিপব্লিক্কী স্লাভিয়া প্রাগনা স্পেনগী সিভিলাবু এগ্রিগেটতা ৬-৫ দা থোইখি। ঙরাং প্রাগতা শান্নবা অনীশুবা লেগ অদুদা য়ূম্বু ক্লব অদুনা সিভিলাবু এক্সট্রা টাইমদা ৪-৩দা থোইখি। অদুগা অহানবা লেগকী মেচতনা টিম অনী পাঞ্জল ২-২ দ্রো চৎখিবনি।

জর্মনিগী ক্লব এন্ট্রাক ফ্রেঙ্কফর্ট ঙরাং শান্নবা অনীশুবা লেগগী মেচতা ইটালিগী ইন্টরমিলানবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থিবা পীখি। অহানবা লেগকী মেচ পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখিবদা এগ্রিগেটতা এন্ট্রাক ফ্রেঙ্কফর্টনা ১-০দা থোইখি।

পোর্টুগালগী বেনফিকা ফূটবোল ক্লবনা জর্মনিগী এন্ট্রাক ফ্রেঙ্কফর্টকা ক্বার্টর ফাইনেল শান্নগদৌরিবনি। ভেনফিকানা ঙরাং সর্বিয়াগী ক্লব দাইনামো জাগ্রেভবু ৩-০ দা থোইখি। মখোয় অনীগী অহানবা লেগকী মেচ অদু দাইনামো জাগ্রেভনা ১-০দা থোইখিবনি। মরম অদুনা এগ্রিগেটতা ভেনকিনা ৩-১দা হেল্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি। ক্বার্টর ফাইনেল অহানবা লেগ এপ্রিল ১১দা শান্নরগা অনীশুবা লেগ অদুনা এপ্রিল ১৮দা শান্নগদৌরি হায়রি।

## হুয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯১

১। করম্বা চহীদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতগী ফুটবোল শান্নরোয় চহী ২৩ হেল্লবা অহুম টিম অমদা শরুক য়াবা য়াহনখি ?

২। মহাক চহী ৮১দা লৈখিদে, চহী ৭২ শুরকপদা ওলিম্পিক্কী মেদল অমা ফংখি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

৩। মহাক **CESKE BUDEJOVICE** তগী প্রেগ ফাওবা মাইল ১১৮ অসি মহাক্কী মরুপ **BOHUSLAV KARLIK** কা পুং ২০দা হি হোন্দুনা চৎখি। মহাক ওলিম্পিক চেম্পিয়ননি, মহাক্কী মমিং পীয়ু।

৪। ‘লৈকোই’ হায়রগা মণিপুরগী লান্মীশিংনা করিবু খঙনৈ?

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো? ⟶



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

### হুয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯০গী পাউখুম ৪ চুম্না থাবিরকখিবশিংদি

| | |
|---|---|
| ১) আনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, নোংমৈবুং সেরাম লৈরক | (৪) |
| ১) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় | (৪) |
| ৩) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় | (৪) |
| *৪) ৱাইরোকপম প্রেমকুমার মীতৈ, লৈমপোকপম মখা লৈকায়* | *(৪)* |

### হুয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ- ৯০গী ৱিন্নর

*ৱাইরোকপম প্রেমকুমার মীতৈ, লৈমপোকপম মখা লৈকায় (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)*

### হুয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ ৯০গী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম

মার্চ ১৭, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা
হুয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

## হুয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯০গী পাউখুম

১। ঐ কোরিয়া মচানি। জপান্না ঐবু নমদুনা ঐগী ইমিং জপানগী মমিংদা ওন্থোক্লগা ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াবদা ঐহাক অনীশুবা পোজিসন তাখি। ঐগী ইমীং করি কৌবগে? :- KENICHI KONISHI

২। মহাক মণিপুরগী মন্ত্রি ওইরম্মী। ষ্টেট অসিগী সাইকল লমজেলদা মকোক ওইখি, মহাক লৈখিদ্রে। মহাক্কী মমিং হায়য়ু। :- AKOIJAM RANJIT (LAINGAM)

৩। ঐখোয় অনীমক কার এক্সিদেন্টতা মীৎ নাম্মা তাংই। মহাক্তি ৱর্ল্ড কপ অমুক ফাওবদা শরুক য়াখিদে, ওক্সফোর্দ য়ুনিভর্সিটিগী কেপ্তেনদি ওইখি। ঐদি কোলেজ তম্বা ফাওবা ফংলকখিদে। ইংলেন্দনা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল লৌখিবা টিম অদুদা ঐসু য়াওখি। মহাক ফুটবোল শান্নরোয় নত্তে। ঐখোয় অনীগী মীং হায়য়ু। :- GORDON BANKS & MANSOOR ALI KHAN PATAUDI

৪। ঐহাক তা লংবদা মালেমগী রেকোর্দতি থুগাইখি। ঐগী রেকোর্দ হৌজিক ফাওবা থুগাইবা ঙমদ্রি। ওলিম্পিক্তা শরুক য়াবদি অমুক্তা ফংলকখিদে। ঐগী ইমীং হায়য়ু। :- UWE HOHN

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো? :- HARMANPREET SINGH

# কানাদাগী মিলোস রাওনিক অমসুং স্বিজরলেন্দগী বেলিন্দা বেন্সিক ইন্দিয়ান ৱেল্সকী সেমি-ফাইনেল য়ৌখ্রে





ইন্দিয়ান ৱেল্স, মার্চ১৫ (ঐচএন এস)ঃ
য়ু এস এগী ইন্দিয়ান ৱেল্সতা পাঙথোক্লবা বি এন পি পরিবাজ ওপন (ইন্দিয়ান ৱেল্স) এ টি পি টেন্নিস টুর্নামেন্ট-২০১৯গী নুপাগী সিঙ্গল কাঙলুপ্তা কানাদাগী মিলোস রাওনিক সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে। নুপীগী সিঙ্গল্সতা স্বিজরলেন্দগী বেলিন্দা বেন্সিকসু সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা ১৩শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবা মিলোস রাওনিকনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা ঙরাং সর্বিয়াগী শান্নরোয় মিওমির কেকমানোভিসপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীরমখি। অহানবা সেট মিলোস রাওনিকনা সর্বিয়াগী মিওমির কেকমানোভিসকী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৩ দা থোইখি। অনীশুবা সেট অদুদা মিওমির কেকমানোভিসকী মায়কৈদগী অপনবা প্রেশর পীদুনা মহাকসু গেম ৪ মায় পাকপা ঙমখি। অদুবু এক্সপরিয়েন্স লৈবা হেল্লবা মিলোস রাওনিকনা সর্ভিস গেম অমা মুন্দুনা ৬-৪ দা থোইরগা ক্বার্টর ফাইনেল অদু মায় পাকখিবনি।

সেমি ফাইনেলদা রাওনিকনা লম্বা তৌগদৌরিবা শান্নরোয় অদু ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়মনি। দোমিনিকনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদু ফ্রান্সগী গেল মোনফিল্সকা লম্বা তৌনগদবদা মোনফিল্স শোকপদগী শান্নবা ঙমদবনা মরম ওইরগা ৱর্কওভর ফংখি।

ঙসি অথেংবদা টুর্নামেন্ট অসিগী মরিশুবা শান্নরোয় স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদরর অমসুং পোলেন্দগী হুবর্ট হুরকাজগা শান্নগনি অদুগা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেলদনা অনীশুবা সিদেদ শান্নরোয় স্পেনগী রাফেল নদাল অমসুং ১২শুবা সিদেদ শান্নরোয় রসিয়াগী কারেন খসানোভকা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গল্স কাঙলুপ্তা স্বিজরলেন্দগী বেলিন্দা বেন্সিকনা ঙরাং অথেংবা শান্নবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমদা মঙোন দগী থা ১৮ হেনগৎনা লৈরিবা জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিসকোভাবু সেট ২-১দা থোইরম্বনি।

অহানবা সেট অদু বেন্সিকনা কেরোলিনা প্লিসকোভাপু ৬-৩ দা থোইখি। মদুগী মতুং অনীশুবা সেট শান্নরকপদা জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিসকোভানা অমুক ফজবা হেন্দুনা ৬-৪দা থোইরগা শান্নরোয় অনীমক সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ২৩শুবা সিদেদ শান্নরোয় বেলিন্দা বেন্সিকনা কেরোলিনা প্লিসকোভাগী সর্ভিস গেম অমা ঙন্না ব্রেক তৌবা ঙমদুনা অমদি মহাক্কী সর্ভিসশিং অদু শোয়হন দনা শান্নখিবদগী ৬-৩ দা থোইরগা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

সেমি ফাইনেলদা বেন্সিকনা লম্বা তৌগদৌরিবী শান্নরোয় অদু জর্মনিগী টুর্নামেন্ট অসিদা ৮শুবা সিদেদ ওইরিবী এঞ্জেলিক কার্বরনি।

কার্বরনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা য়ু এস এগী শান্নরোয় ভেনস ৱিল্লিয়ম্সকা লম্বা তৌনখি। লম্বা অদুগী অহানবা সেট মায়কৈদগী অনীদগী হেঞ্জিন্নবা ঙমদনা শান্নখি। গেম ১২ লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা ৬-৬ লৈনখিবদগী টাই ব্রেকতা কার্বরনা ৭-৩দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেট অদুদা কার্বরনা খরা লাকচবা ঙমখিবদগী ভেনসকী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা সেট অদু ৬-৩ দ থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌরকপনি।

কানাদাগী শান্নরোয় নহা ওইরিবী বিয়ানকা এন্দ্রেস্কুসু সেমি ফাইনেল চঙখি। মহাক্না সেমি ফাইনেলদা য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনাগা থেংনরগনি। এন্দ্রেস্কুনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজাবু ৬-০, ৬-১দা য়াম্না কোম্না থোইরমখি।

অমরোমদা, স্বিটোলিনানা জেক রিপব্লিক্কী মার্কেটতা বোন্দ্রোসোহাবু ৪-৬, ৬-৪, ৬-৪দা থোইখি।

# ইন্দিয়াগী বি সাই প্রনিথ অমসুং সুভানকর দে স্বিজ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে



বাসেল, মার্চ১৫ (ঐচএন এস)ঃ
স্বিজরলেন্স বাসেল সিটিদা পাঙথোক্লিবা স্বিজ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় বি সাই প্রনিথ অমসুং সুভানকর দে ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

বি সাই প্রনিথনা মহাক্কী অহুমশুবা রাওন্দদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় সমির বর্মগা লম্বা তৌনবদা অহানবা গেম অদু য়াম্না কোম্না ২১-১৪দা থোইখি। অদুবু অনীশুবা গেমদা সমির বর্মগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা মওংদা শান্নরক্লুন প্রনিথকী শোট খূদীংমক লম্বা পীরকপদগী পোইন্ট ২০-২০ ফাওবা মান্নদুনা লাকখি।

মখা তাবা পোইন্ট ২ বি সাই প্রনিথন লৌবা ঙমদুনা সমির বর্মবু গেম ২-০দা থোইরগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। ক্বার্টর ফাইনেলদা বি সাই প্রনিথনা ফ্রান্সকী লুকাস কোরবিগা লম্বা তৌনরগনি।

সুভানকর দেনা ঙরাং নম্বর ফাইফ শান্নরোয় জোনাতন খৃষ্টিবু ১২-২১, ২২-২০, ২১-১৭তা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকপনি। মহাক্না টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোয় চাইনাগী চেন লোংগা লম্বা তৌনরগনি।

চেন লোংনা মহাক্কী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা অতোপ্পা চাইনাগী শান্নরোয় হ্বাং য়ু জিয়াংবু ২১-১৫, ১৬-২১, ২১-১৪দা মায়থিবা পীরমখি।

নুপাগী কাঙলুপ্তা নম্বর ৱাদ সিদেদ ওইরিবা চাইনাগী সি য়ুকিনা ক্বার্টর ফাইনেলদা মাক কাজো লম্বা তৌনরগনি। য়ুকিনা প্রি-ক্বার্টরদা ব্রাজিলগী য়িগোর কোলোবু ১৬-২১, ২১-১৫, ২১-১১দা থোইরমখি।

অমরোমদা, মাক কাজোনা মহাক্কী প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় পরুপলি কসিয়বপু ২১-১৫, ২১-১৬তা থোইরমখি।

চাইনাগী অতোপ্পা শান্নরোয় লিন দান অমসুং ইন্দোনেসিয়াগী এন্থোনি গিন্তিংগা ক্বার্টর ফাইনেল শান্নগনি। লিন দাননা সাওথ কোরিয়াগী লী দোং কিমবু ২১-১৯, ২১-১৭তা ময়থিবা পীখি। অমরোমদা, এন্থোনি গিনতিংনা মালেসিয়াগী লিয়ু দারেনবু ২১-১৩, ২১-১৭তা থোইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গল্স কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় রিয়া মুখর্জির্কার্টর ফাইনেলদা মায়থিহৌখি। মহাকপু ঙসি নম্বর ৱান সিদেদ শান্নরোয় চাইনাগী সেন য়ুফৈগী মখুত্তা ১০-২১, ৮-২১দা মায়থিহৌখি।

নীংশিংবা য়াবদি, ইন্দিয়াগী রিয়ামুখর্জিনা টুর্নামেন্ট অসিগী প্রি-ক্বার্টর ফাইনেলদা ৬শুবা সিদেদ শান্নরোয় কানাদাগী মিসেল লীগা লম্বা তৌনবদা অহানবা গেম অদু মুখর্জিনা ১৮-১৬ হেন্দুনা লৈরিঙৈ মিসেলদি শোকপদগী মখা তানা শান্নবা ঙমদনা লৈহৌবনি।

অমরোমদা, চাইনাগী সেন য়ুফৈনা মহাক্কী প্রি-ক্বার্টরদা রসিয়াগী কৃষ্টিন কুবাবু ২১-১২, ২০-২২, ২১-১৩দা থোইরম্বনি।

অতোপ্পা নুপীগী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমদা সাওথ কোরিয়াগী টুর্নামেন্টঅসিগী মরিশুবা সিদেদ সুং জি হ্যুন অমসুং রসিয়াগী ইভজেনিয়া কোসেটকয়াগা থেংনরগনি। সুং জিনা মহাক্কী প্রি-ক্বার্টরদা কানাদাগী শান্নরোয় ব্রিটনি টেম্পু ২১-১৮, ২১-১১ দা মায়থিবা পীখি। অমরোমদা ইবজেনিয়ানা বলগে-রিয়াগী মারিয়া মিটসোভাবু ২১-১৮, ২১-১৯দা থোইখি।

জপানগী শান্নরোয় সিনা কৱাকমি অমসুং স্পেনগী ক্লারা অজুরমেন্দিগা ক্বার্টর ফাইনেলদা থেংনরগনি। কৱাকমিনা প্রি-ক্বার্টরদা কলম্বিয়াগী ফাবিন দিপ্রেসপু ২১-৬, ২১-৯ দা মায়থিবা পীরমখি। অদুগা ক্লারানা ফ্রান্সকী লিয়ানে টৈনবু ২১-৭, ১৮-২১, ২২-২০দা থোইখি। অতোপ্পা নুপীগী ক্বার্টর ফাইনেল অমদা য়ু এসকী বৈৱেন ঝাং অমসুং আইয়ুমি মিনেগা শান্নরগনি।

# ৱর্ল্ড টিম চেছ চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী নুপাগী শান্নরোয়শিং ৪শুবা পোজিশন তাখ্রে, নুপীগীনা ৬শুবা তাখ্রে



অষ্টানা, মার্চ ১৫ (ঐচ এন এস):
কজাখষ্টানগী কোনুং অষ্টানাদা চথরকপা ৱর্ল্ড টিম চেছ চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী নুপাগী শান্নরোয়শিং মরিশুবা পোজিশন তাখ্রে অদুগা নুপীগী শান্নরোয়শিংনা তরুকশুবা থাক্তা লৈহৌরে।

৯শুবা অমদি অরোইবা রাওন্দ অদুদা ইন্দিয়াগী নুপাগী টিম অদুনা চেম্পিয়ন ওইখিবা রসিয়াগা লম্বা তৌনখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফন্না কন্না হোৎনরবসু রসিয়াগী টিম অদুনা পোইন্ট ২.৫-১.৫দা থোইরমখি। অহানবা টেবলদা রসিয়াগী সর্গে কার্জাকিন অমসুং ইন্দিয়াগী বি অদিবন দ্রো চৎখি।

অনীশুবা টেবলদনা ইন্দিয়াগী সুরয়া সেখর গঙ্গুলি য়াম্না ফজনা শান্নদুনা রসিয়াগী ইয়ান নিপোমনিয়াচিগা দ্রো চৎতুনা টিম অনী পোইন্ট অমমম ফংনদুনা লৈখি। অহুমশুবা টেবলদা রসিয়াগী আলেকজেন্দর গ্রিচুকনা ইন্দিয়াগী এস পি সেথুরমনবু মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট ২-১দা লৈখি।

মরিশুবা টেবল অদু ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অরাবিন চিত্তম্বরমগা রসিয়াগী দিমিত্রি অন্দ্রেকিনগা লম্বা তৌনবদা দ্রো চৎখি। করিগুম্বা ইন্দিয়াগী টিম অদুনা রসিয়াগা শান্নবদা পোইন্ট ২/২দা দ্রো চৎলল্লবদি ইন্দিয়া ব্রোঞ্চ মেদল ফংলমগদবনি অদুগা মায় পাকপা তারম্লগনা সিলভর ফাওবা ফংবগী তাঞ্জা লৈখি।

মায়থিবা অদুনা ইন্দিয়াগী টিম পোইন্ট ১১ ফংলগা লোইশিনখি। রসিয়ানা পোইন্ট ১৬ ফংলগা চেম্পিয়ন, ইংলেণ্ড পোইন্ট ১৩ ফংলগা অনীশুবা অদুগা চাইনানা পোইন্ট ১২ ফংলগা অহুমশুবা পোজিশন তাখি। নুপীগী কম্পিটিশন্দা ইন্দিয়া অমসুং হঙ্গেরিনা অরোইবা অমসুং ৯শুবা রাওন্দ শান্নখি। লৈবাক২/২ য়েন্নরগা দ্রো চৎখি। অহানবা টেবলদা ইন্দিয়াগী ইসাক করাপাদে অমসুং হঙ্গেরিগী হোং তান ত্রাংগা দ্রো চৎখি। অনীশুবা টেবলদা ইন্দিয়াগী সোংয়া স্বামিনাথন, হঙ্গেরিগী অনিতা গরাগী মখূত্তা মায়থিবা নংখি।

অহুমশুবা টেবলদা ইন্দিয়াগী পদ্মীনি রাৱট অমসুং হঙ্গেরিগী তিসিয়া গরাগা শান্নবদা দ্রো চত্তুনা হঙ্গেরিনা ইন্দিয়াবু ২-১দা হেন্দুনা লৈখি। মরিশুবা টেবলদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ভক্তি কুলকরিনিনা হঙ্গেরিগী বিয়ানকা হবানিসপু মায়থিবা পীদুনা টিম অনী পোইন্ট ২/২দা লৈরগা দ্রো চৎখি। চাইনানা পোইন্ট ১৮ ফংলগা চেম্পিয়ন, রসিয়া ১৪দা ফংলগা অনীশুব অদুগা জোর্জিয়ানা ১২ ফংলগা অহুমশুবা তাখি।

# অহানবা ষ্টেট লেভেল লেট এস তোম্বা মেমোরিএল জুনিয়র বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ ১৫ (ঐচএন এস)ঃ
কমখ্যা সোসল য়ুথ ক্লব (কে এস ৱাই সী) হিয়াংথাংনা শীন্দুনা ক্লব অসিগী শান্নবুংদা থা অসিগী ১৬তা অহানবা ষ্টেট লেভেল লেট এস তোম্বা মেমোরিএল জুনিয়র বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ পাঙথোক্লগনি।

টিম তরুক্না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্ক-দৌরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল লেট এস তোম্বা মেমোরিএল জুনিয়র বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী এম এল এ সোইবম সুভাসচন্দ্র, হিয়াংথাং জিলা পরিষদ সরাংথেম সিলাস্না, হিয়াংথাং গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান গোলমৈ রোয় কবুই অমসুং কে পি কোলেজকী ভাইস প্রিন্সিপাল ৱাহেংবম নিমাইনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াগনি। ষ্টেট লেভেল বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী অহানবা মেচ ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা গ্রুপ এগী এল সী এল লাইফ্রাকপম অমসুং আই জি ও ওইনাম শান্নগনি।

লীগ রাউন্দগী অনীশুবা মেচ ওইনা থা অসিগী ১৭কী অয়ূক পুং ৭ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ বিগী মিখ্যা ময়াং ইম্ফাল অমসুং এন ৱাই ভি নাওরেম শান্নগনি। লীগ রাউন্দগী অহুমশুবা মেচ ওইনা নুংথিল পুং ১ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ এগী ৱাই এম দি ও হৈরাঙ্গোইথোং অমসুং অমসুং আই জি ও ওইনাম শান্নগনি। অদুগা লীগ রাউন্দগী মরিশুবা মেচ ওইনা নুংথিল পুং ২ তাবগী অহুমশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ বিগী এস ৱাই সী সতুদাই খৌপুম অমসুং মিখ্যা ময়াং ইম্ফাল শান্নগনি। অদুগা থা অসিগী ১৮দা লীগ রাউন্দগী ৫ শুবা মেচ ওইনা নুংথিল পুং ১ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ এগী এল সী এল লাইফ্রাকপম অমসুং ৱাই এম দি ও হৈরোঙ্গোইথোং শান্নগনি অমদি টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী অরোইবা অমদি তরুকশুবা মেচ ওইনা নুংথিল পুং ২ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ বিগী এস ৱাই সী অমদি এন ৱাই ভি এ শান্নগনি।

## ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ ১৫ (ঐচএন এস)ঃ
অরোং খুঞ্জাও কাংজৈবুং দিভলপমেন্ট কম্মিটি (এ কে কে দি সী) ককচীং দিষ্ট্রিক্টনা শীন্দুনা অরোং খুঞ্জাওগী কাংজৈবুংদা থা অসিগী ২৭তা অহানবা ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ পাঙথোক্লগনি হায়রি।

বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানীংবা ক্লব, ওর্গনাই-জেসন, অমদি এসোসিএসনশিংনা মশা মশাগী মতিক চাবা শান্নরোয়-শিংগী দোক্যুমেন্টশিং এ কে কে দি সীদা থা অসিগী ২০ ফাওবগী মনুংগী অয়ূক পুং ১০দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবদা পীশিল্লক্কদবনি হায়না অরোং খুঞ্জাও কাংজৈবুং দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী সেক্রেটরি এস সনাতোম্বনা খঙহল্লক্লি।